থম্মোয় পাউদম **হুইয়েন ইন্দু**

শুমাঙ-লীলা'দা ঐখোয়গী মীৎয়েং হোংদোকসি - ২

নহান, য়ুমশকৈশা নুমীৎ, মার্চ ১০, ২০২১- কাখল অসিদা ৱারেঙ অমা ইজখি। মণিপুরগী শুমাঙ লীলা কৌবা পর্ফোর্মেন্স-আর্ট অসিগী মরমদা পূক্লিংদা ফাওরকপা ৱাখল খরা ৱাহৈ ওইনা ওন্থোক্তুনা ইদুনা শান্নখিবনি। ইজরিবা ঐ ইশামক্তি আর্ট-ফোর্ম মখল অসিগা মরী লৈনবা মীশক অমদি নৎচদে। পর্ফোর্মর অমা ওইনা/ইবা অমা ওইনা, নৎত্রগা দাইরেক্টর অমা ওইনা লম অসিদা খোঙ থাংজিল্লুবসু লৈতে। কনাগুম্বনা হায়রকপসু য়াই- য়ু হেভ নো রাইট তু সে এনিথিং ওন ইট... কলা অসিগী মরমদা করিগুম্বা হায়নবগী হক, ঐগী লৈতে। অদুবু ঐ ইশামক্তি 'ঠিএটর' হায়বা, শুমাঙ-লীলা কৌবা আর্ট-ফোর্ম অসিমকসু শরুক অমা ওইরিবা, অচৌবা ফেমিলি অসিগী মেম্বর অমা ওইনা লৈজরুবা ওইবনা, আর্ট-ফোর্ম অসিগা মরী লৈনবা ৱাখল খল্লোই হায়বসিমদি ঙমদে ঐ।

'শুমাঙ-লীলা'- পর্ফোর্মেন্স আর্ট অসিগী মরমদদি একাদেমীক ওইবা রিমার্ক অমত্তা পীজরোই ঐ। ঐনা হন্দক, হৌখিবা থা খরদুদা ৱাখিবদি- কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিগী মতুংদা কলা অসিগী মরাইবক 'কমদৌগদগে' খল্লুবদনি। মীয়াম তিনবা-পব্লিক গেদরিং হায়বসিমক লায়না মখল অসিগীদমক্তি খ্বাইদই হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা, লৈঙাক্লসু য়ারিবমখৈ তৌদনবা থিংলিবা... হায়রিবা থৌওং অসি শুমাঙ-লীলা হায়বসিগীদমক্তি খ্বাইদই হেন্না মরুওইবা এলিমেন্ট ওইরিবা, মসি য়াওদনদি আর্ট অসি হিংবা ঙম্লরোইদৌরিবা... ৱাখল পরীং অসিননি ঐবু খোয়রাংহনখিবা।

এস ও পি ঙাকপা/ঙাক্তবা, কোরোনাগী অকিবা অয়াম্বা মীওইশিংদা মাঙখিবদগী মীয়ামগী পুন্সি হান্নগী থাক্তগা হনজিন্নরকপদগী শুমাঙ-লীলা আর্টিষ্টশিংগী এপেক্স বোদি ওইরিবা 'মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সীল'নসু, মণিপুর লৈঙাক্কী কলচরেল এজেন্সী অমা ওইরিবা 'মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী'গী মতেঙ য়াওদনা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লুবা ফিরেপ লৌখি। মার্চ ৭, ২০২১দগী শুমাঙ লীলা ফেষ্টিভেল হৌদোকখিদুনা হৌজিক চথরি। ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরমদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী লৈঙাকপা খরা কৌরগা, মখোয়গী মমাঙদা অসীন-অরাঙ কাঙবুনা হায়খিবা অমদি মখোয়না ঙাঙলম-শক্লম্বা ময়াম অদু তারুরগা পূক্লিংসিদা মওল মওল খলহৌখি... অসুক মতীং লৈবা, মতীক লৈবা, ময়াই কনবা, মীয়াম্না য়াবা, মীয়াম্না পাম্বা আর্ট ফোর্ম অমনা করিগী অচৌ-অশাং, অঙম-অথৌশিংগী থৌজাল মখা পোন্না ফেষ্টিভেল শীন্দৌরিবনো? মণিপুরগী অতৈ আর্ট ফোর্মদৌনা লৈঙাক্কী কলচর-মিনিষ্ট্রি নৎত্রগা দিপার্টমেন্টকী থোঙজীন্দা চেঙনি খুজাই পায়রগা লেপ্পুদ্রদি হিংবা ঙম্লোইদৌবা আর্ট অমা নত্তে শুমাঙ লীলা। মণিপুরগী 'শুমাঙ লীলা' অচৌবা ইন্দষ্ট্রি অমগী 'ইন্দষ্ট্রিএল প্রদক্ট' অমনি। অদুবু লুরিবদি- ইন্দষ্ট্রি অমা ওইবগী মচল পুম্বা শুনা চেল্লবসু ইন্দষ্ট্রি ওন্থোকপা ঙমদব'সিনি। লৈনা-লৈনা লৈহনবা ঙমদ্রবা মণিপুরগী কলচরেল পোলিসীগী মখা পোন্না শুমাঙ লীলাগী মরাইবক লেপকনি খল্লবা শুমাঙ-লীলা কাউন্সীলগী ওইনদি, মদু খ্বাইদগী লাইবক থীবা মীকূপ অমা ওইগনি।

বেঙ্গোল অমদি ত্রিপুরা'দা বেঙ্গোলি যত্রা'না হিংলিবা মহিঙ অদুগা মণিপুরগী শুমাঙ-লীলা'না হিংলিবা মহিঙ অসিগা অনী অসি মান্নদে। ঙসিগী মণিপুরী- শুমাঙ লীলাদি পুথোক্ত্রিঙৈ, কম্মর্সল অস্পেক্ট য়েংলগা পুথোক্লে- অয়েংবশিংনা করি পাম্লিবা। বোল্লিৱুদকী কম্মর্সল-ফিল্ম-মেকর 'মনমোহন দেশাই'না মতম অমদা হায়খিবদু নীংশিংই... 'ঐগী ফিল্মগী পান্দমদি অয়েংবশিংনা পাম্না য়েংদুনা ফিল্মদু হিট ওইহল্লগা শেন্দোং য়াম্না ফংবদুনি... অফবা স্ক্রপ্তনি/অফবা ফিল্মনি হায়নবা অয়েংবশিংনা য়েংলোইদবা ফিল্মদি ঐহাক কৈদৌনুংদা পুথোক্লোই'...। প্রিন্সিপল অদুনি মণিপুরগী শুমাঙ-লীলা তৌবা কাঙবুশিংনা খুদুং ইল্লিবা অমসুং ইনগদবা। মখোয়গী তার্গেৎ-ওদিয়েন্স-মণিপুরগী অচম্বা মীয়ামসিনি। মখোয়গী অপাম্বা পীদুনা পূক্লিং নুংঙাইহনবনি, পূক্লিং খুদুম চনবনি। অপাম্বদু ফংলবা, অপাম্বা অচাপোৎ তান্ন-তান্ন-চাবগুম মণিপুর তম্পাক শীন'-থুংনা শুমাঙ-লমহাং পূম্বদা চহী-চুপ্পা লেপ্তুনা কোয়কৌ-কৌদুনা য়েংগনি, মতীক চাবা মমল অদু পীরগা। অফবা-লীলা কাঙলুপকী মমিঙ লৈবা কলাকারশিং মরেক-মহাও থোকলবা পুন্সি অমা লেনগনি। মীনা মশক খঙগনি। মথঙ' চহীগী অনৌবা লীলা ঈখৌ লাংনা ঙাইগনি। হায়জ রিবা ৱাফমসি নুপী-শুমাঙ-লীলাদদি পুরা তায়ওন্নবনি।

শেন্দোং ফংবা কারবারদি শেন্থঙ-ৱাৎপা লৈতবগুম, অফবা শুমাঙ-লীলা কাঙলুপকী মমিঙ লৈবা কলাকারশিং মমল ৱাংনা হুন্নদুনা লৈনবগী চৎনবী, তাইবংসিদা চঙলুবা মখোয়তনা খঙগনি। মুম্বাই ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগী মতৌ তম'-ফিল্ম-ষ্টারশিংগী ফিল্ম-কুম্বই-মমল লেপ্পা অদুগুম্বনি। অচৌবা ইনভেষ্টমেন্ট অমনি। মতাং অসি লাকপদনি- শুমাঙ লীলা কাঙলুপশিংগী অফবা মেনেজর অমদি অফবা ইকনমিক এদভাইজরগী তঙায়ফদবা লাক্লিবা, শুমাঙ-লীলাগী মার্কেট-ইকোনোমি নৈনদবা য়ারক্ত্রিবা। শুমাঙ-লীলা কাঙলুপশিং প্রদক্সন কম্পনি অমমম ওইনা লীংনবই ৱাখল চেনমিন্নরবা মতম অদুদা খক্তনি- মণিপুরগী 'শুমাঙ লীলা'না ইন্দষ্ট্রি অমা ওইহনবা ঙম'দৌরিবা। মায় পাক্লবা কম্পনি অমা ওইহনবদা চঙলিবা মরুওইবা মচল, অহুমখক্তনি- 'দ রাইট আইদিয়া এট দ রাইট ৱিথ এ রাইট টিম'... মতাঙ মতম চপ চানা, চপ চাবা আইদিয়া অমা পুথোক্তুনা চপ চাবা খূৎপু অমবু পাঙথোকহনবা। ৱাখল্লোন অসি মতীক চানা চেল্লবা লীলা খূৎপু মতীক চানা লৈরবা মতম অদুদখক্তনি- শুমাঙ লীলাগী ইনভেষ্টরশিংনা ভেনচর কেপিটেল শেমগৎলক্কদবা। নৎত্রবদি, লাক্কদবা চহী কয়াদসু খূৎলোন্নবা লৈখিগনি।

লৌশিং পুক্কে

ঙকশম অমসুং লেংবানদা

ষ্ট্রেসকা মরী লৈনবা টেন্সন লৈবা হন্থহন্নবা পাম্বৈ খরা — ২



চাইল্ড'স পোজ: চাইল্ড'স পোজ নৎত্রগা বালাসন হায়বসি ঙকশম অমসুং য়াঙলেন পরেং নাবা ফহনবদা মতেং পাংবা ঙম্বা যোগগী পোজ অমনি। তৌগদবা মওংদি– অহানবদা খুবাকনা লৈমায়দা তিংনা থল্লগা খুউ কূল্লগা ষন শাদুনা লৈগনি; মথংদা খুবাক থল্লিবা অদু লেঙহন্দনা তুংলোমদা নীং পুরক্তুনা য়াঙ তিংনা থল্লগা খুনীংদা নীংজোননা থেংগনি, পুকনা ফৈগন্দা থেংগনি; পোজিসন অসিদা সেকেন্দ ৬০ দগী ৯০ ফাওবা লেঙদনা লৈগনি। ঙকশম অমসুং লেংবান্দগী টেন্সন থাদোকখিবা মতমদা নীংশা হোনবদা পুক্লীং চঙগনি; অহানবদা পোজিসনদা অমুক হল্লক্কনি; শাজেল অসি অনীরক অহুল্লক হন্না তৌগনি।

কেট-কাও পোজ: কেট-কাউ নৎত্রগা চক্রভাকসানা হায়বসি নঙ্গল অমসুং ঙকশম ষ্ট্রেচ তৌহনবা অমদি মফমশিং অসিদা লৈবা টেন্সন মাঙহনবদা মতেং পাংবা যোগগী পোজ অমনি। তৌগদবা মওংদি – অহানবদা খুবাকনা লৈমায়দা তিংনা থল্লগা খুউ কূল্লগা ষন শাদুনা লৈগনি; মথংদা নীংশা চিংশিন্দুনা ষনগী পোজদা থমনি, পুক্কী শরূক লৈমায়রোমদা পুথরক্কনি অমদি খদাঙ অমসুং থবাক্তা থাঙ্গৎকনি। মথক্লোমদা য়েংখৎকনি, থবাক অমসুং লেংবান ফন্দোক্কনি, ফিদুপ অসিদা সেকেন্দ খরা লেঙদনা লৈগনি; মথংদা নীংশা হোন্দোক্তুনা হৌদোংগী পোজদা লাক্কনি, পুক্কী শরুক মথক্লোমদা কোনখৎতুনা য়াংলেন পরেং মথক্লোমদা কোনখৎহনগনি, মায়না মখা ওন্থদুনা লৈমায়দা য়েংগনি, অসুম্না সেকেন্দ খরা লেঙদনা লৈগনি; নীংশা চিংশিল্লগা হান্নগী ষন শাদুনা লৈবা ফিদুপ অদুদা অমুক হল্লক্কনি, মথং মনাউ কায়দনা ১০রক্তগীনা ১২রকফাওবা হঞ্জিন হঞ্জিন তৌগনি।

থ্রেদ দ নিদল (য়েতুম মনা লেংবী): থ্রেদ দ নিদল হায়বসি নঙ্গল, ঙকশম অমসুং লেংবানদা টেন্সন লৈবা লৌথোকপদা মতেং পাংবা ষ্ট্রেচ মখল অমনি। তৌগদবা মওংদি– অহানবদা খুবাকনা লৈমায়দা তিংনা থল্লগা খুউ কূল্লগা ষন শাদুনা লৈগনি; মথংদা খূৎ য়েৎকী খুবাক থাঙ্গৎলগা লৈমায় মথক্তা হকচাংগী ওয়থংবা নাকলদা পুরক্কনি। অসুম্না খুৎ লেঙবা অসিগা লোয়ননা হকচাংসু লৈগনি (রোটেৎ), অমদি মায়না ওয়রোমদা ওল্লগা য়েংবগা লোয়ননা য়েৎ থংবা লেংবাননা লৈমায়দা থেংগনি, হকচাংগী অরূম্বা ঙাক্লবা খূৎ ওয় শীজিন্নগনি; ফিদুপ অসিদা সেকেন্দ ২০দগী ৩০ ফাওবা লেঙদনা লৈগনি অমদি হৌরকপগী ফিদুপ অদুদা অমুক হল্লকনি; থৌওং অসিগা চপ মান্নবা ওয়রোমদা অমুক তৌগনি; নাকল অমগী ২রক্তগীনা ৩লকফাওবা তৌগদবনি।

মথক্তা পীখ্রিবা শাজেলশিং অসি নত্তবা ঙকশমদা টেন্সন লৈরক্তনবা অমদি টেন্সন লৈবা ফহন্নবা হোৎনবদা শীজিন্নবা য়াবা অতোপ্পা পাম্বৈ খরসু লৈরি। খুদম ওইনা - নারিবা মফম অদুদা শাবুং শাবুংবা হীগা য়ৈবা; ইশানা ঙাইহাক মাসাজ তৌজবা; লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিং য়াওবা টব অমদা হকচাং লূপ্পা, অমদি অহেনবা রিলেক্সেসন ফংনবগীদমক এরোমাথেরাপি ওইলগী ঈরিক খরা হাপ্পা; কম্প্যুটরদা থবক শূবগী মফম এদজষ্ট তৌবা (ঙকশম ষ্ট্রেইন তৌদনবগীদমক কম্প্যুটর অদু মীৎকী লেবেলদা থমগনি); দেক্সতা থবক শূবা মতমদা তিং য়াং চুম্না থম্বা; পুঙ খুদিংগী থবক শূফমদগী হৌগৎলগা ঙাইহাক ঙাইহাক চৎথোক চৎশিন তৌবা; নুমিদাং তূম্বা মতমদা ঙকশমদা নীংথিনা ঙাক্লৌ পীবা মোন শীজিন্নবা, অমদি কোক অমসুং ঙকশমগী ফিভম চান্ননবা শেম্বা অসিনচিংবশিং তৌবা য়াই।

ঐখোয় খুদিংমক ষ্ট্রেস মায়োক্লে। মতম তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা ষ্ট্রেস লৈবা নৎত্রগা খোয়রাঙ খোয়শাওনবা শুকয়াও য়াওহন্দবা হায়বসি ওইথোক্তবনি। অদুবু হকচাংনা ষ্ট্রেসতা ওটোমেটিক রেস্পপোন্স অমা পুথোকচবা মরম্না অমুক হন্না ইংথহন্নবা হকচাং মনুংগী ওইবা সিষ্টেম অমা য়াওজে।

হকচাং মনুংগী রিলেক্সেসন রেস্পোন্স হায়না খঙনবা সিষ্টেম অসিনা ঐখোয়বু 'ফাইট ওর ফ্লাইট' রেস্পোন্সতগী রিকভর তৌবদা মতেং পাংই। মসিনা হকচাং মনুংগী সিষ্টেম পুম্নমকপু মশাগী লৈফম থোকপা ফিভমদা পুরকই অমদি হকচাংবু ইংথহল্লি, পোত্থাহল্লি। রিলেক্সেসন রেস্পোন্স অসিনা ঐখোয়গী হকচাংবু ষ্ট্রেস রেস্পোন্সকা মরী লৈনবা হকশেলগী খুদোংচাদবশিংদগীসু ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

হকচাংদা রিলেক্সেসন রেস্পোন্স পুথোকপদা মতেং পাংনবা স্কিল অমদি ষ্ট্রেটিজি মখল কয়া লৈ। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা খরা মখাদা পীরি:

হকচাং শাজেল অমসুং ফিজিকেল এক্টিভিটি– নোংমগী মিনিট ২০দং ওইরবসু হকচাং লেঙথোক লেঙশিন তৌবা;

নীংশা শাজেল– পুক্তা নীংশা হোনবা (দাইফ্রামেটিক ব্রিথিং হায়নসু খঙনবা) অসি রিলেক্স তৌনবগী খ্বাইদগী লায়বা পাম্বৈ অমনি।

হিরী কোনবা (মেদিটেসন)– চাং নাইনা হিরী কোনবনা ষ্ট্রেসনা থোকহনবা ইনফ্লেমেসন রেস্পোন্স হন্থহনবদা মতেং পাংই, অমদি এঞ্জাইটিসু হন্থহল্লি হায়না রিসার্ছনা উৎলি।

প্রোগ্রেসিভ মসল রিলেক্সেসন (পি এম আর)– কুমজা ২০১৩গী ষ্টদি অমগী মতুংইন্না পি এম আরনা ঙকশমগী ক্রোনিক পেইনগী সিম্পটমশিং হন্থহনবদা মতেং পাংবা ঙমই হায়রি।

নীংশিংগদবা ৱাফমদি মথক্কী শাজেল কাঙলোনশিং তৌবা মতমদা চাং নাইবা হায়বসি মরু ওই। শাজেল কাঙলোন অদু হেক তৌবগা কান্নবা ফংদবা য়াই। অদুবু অসুম চাং নাইনা তৌরক্লগা কান্নবা ফংলক্কনি।

নহাশিংগী অখন্নবা কাখল : - নহা ফাল

> নীংতম্না ৱাখল খল্লু অদুগা নহাক্না তারিবা খুদিংমক অচুম্বনি য়াগনু। নহাক্না থাজরিবদুবু নৈনৌ অমসুং মগুন লেপ্পু।
>
> - এরিষ্টোটিল

পুন্সিগী লম্বীদা মায়পাক্কে হায়রবদি হীরম খুদিংমক্তা সিন্স্যর ওইনা থবক তৌবা চঙই

হৌরক্লিবা মীরোলশিং য়াম্না টেলেন্ট লৈ। করিগুম্বা মখোয়না সিভিল সর্ভিসেস এগজামিনেসন নৎত্রগা অতোপ্পা কম্পিটিটিভ এগজাম কয়া থাবা পাম্লগদি তম্লিবা অমদি পারিবা পোৎশকশিং অদু য়াম্না মমূৎ তানা খঙবা অমা মথৌ তাই। লোয়ননা লাইরিক খক পাবা নত্তনা সোসাইটিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক্কী মতাংদা খঙবা চঙই। লোয়ননা এক্সট্রা করিক্যুলর এক্টিভিটিস কয়াদসু পার্টিসিপেট তৌবগা লোয়ননা ইভেন্টস কয়াদসু শরুক য়ানবা হোৎনগদবনি। লাইরিক পাবা অমদি তৌরিবা থবক খুদিংমক্তা সিন্স্যর ওইনা থবক তৌবা য়াম্না মথৌ তাই হায়না কুমজা ২০১৬ বেটচকী আই এ এস ওফিসর হৌজিক্তা ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নর ওইনা থৌ পুরিবি খুমন্থেম দাইনানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

খুমন্থেম দাইনা শিংজমৈ থোংঙাম লৈকায়দা লৈবা খুমন্থেম চন্দ্রমনি অমদি খুমন্থেম ওংবি ইবেয়াইমাগী মচানুপীনি। মহাক হৌজিক-হৌজিক শঞ্জেনথোং ওফিস কোলোনিদা লৈরি। য়ূম্না ককচিংদা পাম্লি। মহাক কুমজা ২০১৫দা য়ু পি এস সীনা লৌবা ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট সর্ভিস (মেন্স)কী এগজামিনেসনদসু রেঙ্ক ৯দা লাক্তুনা মায়পাকপা ঙমখি। মহাক্না য়ু পি এস সী এগজাম থারকপা মতমদা ৱাখল শোন্থদনা লৈনবা টেক্নিক কয়া শীজিন্নদুনা হোৎনজরকখি। মরমদি মীওইবা অমগী পুন্সিগী তাঙ্কক কয়াদা ৱাখল নুংঙাইবা অমদি নুংঙাইতবগী থৌদোক অদুমক থোকই। দাইনা হায়স্কুল ফাওবা নির্মলাবাস হায়স্কুলদা তম্লকখি। এচ এস এল সী এগজামিনেসনদা মণিপুরগী ওইনা টোপ্পর ওইখি। মদুগী মতুংদা দেল্লি পব্লিক স্কুল মথুরা রোদতা ক্লাস এলভেন অমদি ত্বেলভ তম্লকখি। মদুদসু সবজেক্ট খুদিংমক্তা চাদা ৯৫ ফংদুনা সাইন্স ষ্ট্রিমদা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসনদসু টোপ্পর ওইখি। মদুগীদমক রিৱার্দ ওইনা কুমজা ২০০৯দা লুপা লিশিং ২৫ ফংখি। লোয়ননা মিরান্দা হাউস, য়ুনিভর্সিটি ওফ দেল্লিদা ফিজিক্স ওনর্স তৌরকপদা গোল্ড মেদলসু ফংবা ঙমখি। লোয়ননা দেল্লি য়ুনিভর্সিটিদা এম এস সী ফিজিক্স তম্লকখিবা মতমদসু গোল্ড মেদলিষ্ট ওইখি। মহৈরোয় ওইরিঙৈ মতমদা এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা লাইরিকশিং পানবা হোৎনরকখি। লাইরিক তম্লিঙৈ মতমদা য়ু পি এস সীগী এগজাম থানবা তোঙান্না লাইরিক পাবদি ঙমখিদে। লাইব্রেরি চাং নাইনা চৎপা অমদি তম্লিবা কোর্স অদুগী পাগদবা লাইরিকশিং তোঙান-তোঙান্না খন্দোক্তুনা সিলেবস পুম্নমক পানবা হোৎনখি। হৌরক্লিবা নহাশিংনসু এগজাম অমা হেক্তা থানবা হোৎনবদা পুকচেল শেংনা হোৎনবগা লোয়ননা স্কুলিংদগী হৌদুনা তম্লিবা মহৈ অদুদা পুক্লিং চঙনা অমদি ময়েক শেংনা খঙনা চৎপা ঙম্নবা হোৎনবা য়াম্না তঙাইফদে।

মহৈরোয় অমা ওইনা মানা-মানা তম্লিবা লাইরিক অদুদনা হান্না প্রাইওরিটি পীরগা অতোপ্পা থবকশিংনা সেকেন্দরি ওইনা পীহন্নিংই। লোয়ননা লাইরিক তম্না-তম্না ইশাগী পামজবা হোবি অমদি তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টসশিংদসু শরুক য়াদুনা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মদুনা পর্সনেল দিভেলপমেন্টদা চাওনা মতেং অমা পীবা হায়বদু ওইগনি। য়ু পি এস সী এগজাম থাগদবা মীওইশিংনা সেল্ফ মোটিভেসন তৌবগী হৈনবী থম্বা তঙাইফদে। লোয়ননা পেরেন্টশিংনসু মচা-মশুশিংবু গাইদ তৌবিবা, শেন্নবিবা, ৱাখল চাওথোক্লুবা হোৎনবিবা অমদি তোঙান-তোঙানবা ইস্যু কয়া থোক্লকপদা সপোর্ট তৌবিবা মথৌ তাই।

মহৈরোয় অমা ওইরম্বদগী দিপ্যুটি কম্মিস্নর (দি সী) ওইনা থৌ পুরকপা মতমদা তোঙান-তোঙানবা চেলেঞ্জেস কয়া অমসু মায়োক্লখি। য়ু পি এস সী এগজাম থানবা হোৎনবদসু অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। হকচাং ঙম্লক্তবা অমদি অথাপ্পা মফমশিংদা এগজাম সেন্টর তারকপদগী চৎথোক-চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়াসু থেংনখি। অদুবু মহৈরোয় ওইরিঙৈদগী হৌনা অখাঙ কনবা অমগা লোয়ননা তৌগে খনখিবা থবক মায়পাক্লা তৌবা ঙম্নবা হোৎনবগী হৈনবী লৈরকপনা থোইনা অৱাবা হায়বদু ওইদে। ব্যুরোক্রেট অমা ওইনা থবক তৌরকপা মতমদদি ইমোসনেল ইন্টলিজেন্ট ওইবসু মথৌ তাই। রুলস অমদি রিগ্যুলেসনসু ঙাক্লা মীয়ামগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোলসু খঙনা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ। ৱাখল শোন্থরকপা মতমদা মায়পাকখ্রবা মীওই কয়াগী পুন্সি ৱারীশিং পারগা পুক্লিং থৌগৎনবা হোৎনবসু মথৌ তাই। মমা-মপা ওইবশিংনসু মচা-মশুশিংদা অফাওবা মীওইশিংগী পুন্সি ৱারী লীবিয়ু। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লাইরিক য়াম্না হৈবা অমদি মেথমেটিক্স হৈবা মীওইশিং পাম্না হৌরকখি। মী অমনা তোপ-তোপ্পা থবক তৌবা ঙম্লগা ঐনা করিগী তৌবা ঙম্লোই হায়বা ৱাখল্লোলনা অচৌবা ইথিল অমা পীরকখি। লোয়ননা মহাক্কী অপোকপা অমদি অপোকপী অনিনসু পূক্লিং য়াম্না থৌগৎপীখি। লাইরিক তম্বা মতমদা য়ূমদগী মতেং ফংবগা লোয়ননা স্কোলারশিপ কয়াসু ফংদুনা লাকখি। পুন্সিগী হৌজিক ফাওবগী এচিভমেন্ট খরা ফংবা ঙম্লিবা অসি অপোকপা-অপোকপী অমদি মোরেল ভেল্যু তাকপি-তম্বিরকপা ওজাশিংগী মপালনা ঙম্বনি।

সোসল ইস্যু কয়াদা নুপী ওইবিশিংদা ঙসিসু অদুমক খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। অদুমকপু মমাংথক্লা য়েংনরুরবদি চাওনা অহোংবা লাক্লে। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংদা নুপী অমদি নুপা খায়দনা চপ মান্নবা মওংদা মীৎয়েং থম্বিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

❒ *খুমন্থেম দাইনা (আই এ এস), দিপ্যুটি কম্মিস্নর, ইম্ফাল ইষ্ট*

এডিটরগীদমক অখন্নবা চিঠি অমা-৩

হৌজিক্তি খূদিংমক থাদোকপা ঙম্লবা অচুম্বা হায়বা ৱাখলদুনা অচুম্বগীদমক মতম পূম্বদা কখোকপা ঙম্বগী শক্তি অমগা লোয়নবীদুনা মীয়াম্বু অচুম্বা মায়কৈদা লমজিংবীরগে চপ য়ুংনা লেপ্লে হায়বা ঐগী ওইবা ৱাফমসি য়াবীরে হায়না খঞ্জরগা মখা তানা ৱাহং খরা হংনবগী তাঞ্জা লৌবা য়ারে হায়বা খঞ্জদুনা মরক মরক্তা চিঠি ওইনা ইরক্লিবসিগী মরম হায়রগে- ৱাহং ওইনা হংবনি। অদুবু ৱাহংসিগী মনুংদা পাউখুমসু য়াওখ্রবনি। 'সিমতংগা খঙজিনবীয়ু। ইশামক মতিক চারবীনি, মীনা শকখঙবীরবি ফম্নাইবীনি। অদোমগী মাঙদা লেপ্পরবদা অদোম্নসু ইকায় খুম্নবীরক্কনি। অদুবু পূম্নমকসি ওইননবা হোৎনরকপদা ঐবু লমজিংবীখিবদি শুপ্পগী এদিটরদনি। ঐ কনানো ? করিগী অদুক নীংবা কায়বা শাদুনা ঐগী পূক্লিংগী অমকপা ৱাখল খঙনবা হোৎনদনা ইফমদগী করিগী লাপথোকখিবনো। খঙই মতিক চাবা মীদি মনাগীদমক মথৌ তৌনদে, মদুমক্তি অদোমগী ফিরেপসু। লমদমসিগী ঈশি-নুংশিৎতা চাউরকপা মীশক অমা ওইনা লমদমসিগী চৎনলোনচৎ পুম্নমক নাথৈদুনা লৌরম্বা পূক্লিংগী অচেৎপা ফিরেপ অদুগীদমক হন্না হন্না থাগৎচরি। থাগৎচরিবা অসিনদি ঐগী অরোইবা পনখৈদি নত্তে। অদুবু নফমদগীদি ঐনা ঐগী হক তানবসু য়ারোই হায়বসু অচেৎপা থাজবনি।

খূৎতগী লংলা তত্তুনা নান্থোকখ্রবা নোংমদোনথক্তা ঙাওনা ৱাংনা পাইজরম্বা তেলঙ্গা অদুবু অঙাওবা মালংনা পুনিংবা মায়কৈদা পুখিবদা অদোম্না পাম্বোম তিংখিবরা ? তেলঙ্গাগী মরাল করি ওইরমগনি নৎত্রগা অঙাওবা মালংগী করম্বা নুংশি হৈতবা শাজৎনা পুনিংবমখৈ নোংদোনথক্তা পুরম্লগা করিগী লমখাংদা হুন্দোকপীরম্লি।...

মতমগী চৎনবি এদভান্স ওইখ্রবসু অথিংবা কয়া লৈবনা মণিপুরি ফিল্মগী মরাইবক তম্বা ঙমদ্রে

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

নোংজাইময়ুম গালিফপা, ষ্টেট এৱার্দি কোষ্টুম দিজাইনর

মতমগী চৎনবি কয়াদি এদভান্স ওইনা চৎখিবা অদুগা ইরমদম অসিদা পুথোকপা ফিল্মশিংদনা অথিংবা কয়া লৈবা মরম্না ফিল্ম অমদা পুথোক্লিংলিবা অমদি উনিংবা কয়া উৎপা ঙমদবনা মরম ওইদুনা মণিপুরী ফিল্মদা থবক তৌরিবা আর্টিষ্ট খুদিংমক্লা খুদোংচাদবা অমদি অৱাবা কয়া মায়োক্লরি হায়না শক্লাইরবা কোষ্টুম দিজাইনর ষ্টেট এৱার্দি নোংজাইময়ুম গালিফপানা পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবা অমদা ফোঙদোরক্লি।

নোংজাইময়ুম গালিফপা পোরোমপাৎ পাঙল লৈরক্তা লৈবা অপোকপা নোংজাইময়ুম অব্দুলগনি অমদি নোংজাইময়ুম ওংবি আশিয়াগী মচানি। মহাক্কী মচিন-মনাও নিপাননি। অঙাং ওইরঙৈদগী হৌনা মণিপুরী ফিল্ম অমদি মালেমগী তোঙান-তোঙানবা ফিল্ম কয়া য়েংদুনা লাকপনা ফিল্মদা কোষ্টুম দিজাইনর ওইবা পাম্না হৌরকখি।

হৌজিক ফাওবদা পিজা, হিকথরবা শমজিদো, য়াইস্কুল পাখঙ অঙাওবা, মনি মমৌ, ঐখোয় পাবুং, ইনম্মা, লির-লিরা ফজবদি অমদি কোরৌঙানবানচিংবা চাওরাক্লা মণিপুরী ফিল্ম ২০০গী মথক্তা অমদি ম্যুজিক ভিদিও এলবম কয়াদসু কোষ্টুম দিজাইনর ওইনা থবক তৌখ্রে। য়াইস্কুলগী পাখঙ অঙাওবা, ইমোইনু অমদি আলিয়া দা মণিপুরী ফিল্ম ষ্টেট এৱার্দ অহুম ফংখ্রে। লোয়ননা ফিল্ম খরদসু নোমিনি চঙবা কয়া য়াওখ্রে অমদি ওল মণিপুর আর্ট এন্দ কলচর এন্দ স্পোর্টস দিভলপমেন্ট সোসাইটিনা বেষ্ট মণিপুরী ফিচর ফিল্ম কোষ্টুম অমসুং বেষ্ট কোষ্টুম ইন মণিপুর হায়বা এৱার্দসু পীখি। মালেমগী থাক্তা ফজবা ফিল্ম, ফজবা কোষ্টুম অমদি মতমগা চুনবা মওংগী ফিজেৎ-চাকচা কয়া উৎপা পাম্লবসু য়াদবা কয়া লৈরবসু পুম্নমক্লা য়াগদবা অমদি পাম্নগদবা মওংদা ফিল্ম পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি অচৌবা চেলেঞ্জিং ওইবা থবক অমনি। কনাগুম্বা খরনদি অসিগুম্বা অথিংবা কয়া লৈরিবা অসি উবিদবা মরম্না পুথোক্লিবা ফিল্মশিং অসি য়াম্না অরিবা অমদি হান্নগী মওংদা হোংদনা অদুমক ফিল্ম পুথোকই হায়নদবসু নত্তে। করিগুম্বা লম্ অসিদা নিংতম্না ৱারী অদুগী মতুংইন্না মথৌ তারকপা পুম্নমক অদু মীয়ামদা উৎপা ঙম্লগদি মালেমগী থাক্তা উৎপা য়াবা ফজবা ফিল্ম কয়া পুথোকপা ঙমগনি। অমরোমদা সোসাইটি অসিদা চৎনরিবা কয়াদদি অথিংবা লৈতবা অদুগা ফিল্মদনা অথিংবা কয়া লৈরকপা অসিনা হৌজিক সোসাইটি অসিদা চৎনরিবা অসিগা ফিল্মগা য়েংনরুবদা মীয়াম্না য়েংনিংবা ফাওদ্রে। মসিনসু অচৌবা মরম অমা ওইদুনা মণিপুরী ফিল্ম মালেমগী থাক্তা মাঙজিন থানা চঙশিন্নবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লুবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

কোষ্টুম দিজাইনর অমা ওইবদা সোসাইটি অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা কাংলুপ-ফুরুপ কয়াগী চৎনবি অমদি ফিজেৎ-চাকচাগী মরমদা মমূৎ তানা খঙবা অমা মথৌ তাই। মদুনা মরম ওইদুনা কাংলুপ-ফুরুপশিং অদুগী মরমদা খঙননবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া অমসু মায়োক্লে। অদুবু ইশানা পাম্না চঙশিল্লুবা লম্বী অমা ওইনা মদুবু অৱাবা ওইনা খনবগী মহুৎতা হেন্নদুম মনুংহুৎনা চঙশিন্নিংবগী অপাম্বা লৈ। মতমগী য়াওলদা অমদি মালেমগী হোংলক্লিবা কলচরগা ইরোইননা চৎপা ঙম্লবদি কোষ্টুম দিজাইনরগী থবক অসিদা তুংদা য়াম্না ফজবা মওংদা থবক তৌবা ঙমগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা কয়া লৈ।

কোষ্টুম দিজাইনর অমা ওইনা লৈবাক অসিগী ফজরবা ফিল্ম কয়া পুথোকপদা খজিক থৌদাং লৌবা ঙম্লিবা অসি অপোকপা-অপোকপী, ইয়াম্বা আইসোমনি, মহাক্কী খুৎ য়েৎ ওইনা থবক তৌমিন্নরিবা সুরজ ৱাহেং অমদি ফিল্মগী লম্দা থবক তৌমিন্নরিবা পুম্নমক্কী মতেংনা ঙম্বনি। লোয়ননা মখা তারকপা পুন্সিদা মণিপুরী ফিল্ম অসি নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাম্নবা ফিল্ম পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনবা পাম্মি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ডা. খাইদেম অথৌবা